থম্মোয় পাউদম হুইয়েন ইন্দু

ফিল্মগী ৱারী-ৱাতায় অমা তারুবদা

কোফী ৱিথ করন - করন জোহর কৌবা বোল্লিৱুদকী ফিল্ম প্রোদ্যুসর, দিরেক্তর অদুগী মমীং চৎলবা তিভি প্রোগ্রাম অমনি। চয়োল খুদিংগী, প্রোগ্রাম অসিদা বোল্লিৱুদকী তোঙান তোঙানবা সেলেব্রিতি ময়াম পুথোক্তুনা মরন্নাই পুন্সিগী/কেরিয়রগী নৎত্রগা ইন্দস্ত্রি অসিগী ইশ্যু/প্রোব্লেমশিং নৈনৈ। অদুবু, পূক্নিং-ৱাখল-হকচাং পুম্নমক বোল্লিৱুদতগী লাপখ্রবনা, প্রোগ্রাম অসি নোংমতসু য়েংখিদে, য়েংনীংলুদে।

মমীংসিগা হাইফেৎ মান্নবা, ‘কোফী ৱিথ তোম’ হায়না মীংথোনবা ভিদিও ফুতেজ অমা য়ু-ত্যুবতা মরক মরক্তা থাগৎলকপা উখি। কদায়দা কনাই প্রোগ্রামনো খঙলুদবনা য়েংলুদে, য়েংনীংবসু ফাওখিদে। অদুবু, ঙরাংদি ঐগা লুনা লোয়নজবা ইনাও অমা, ফিল্ম প্রোদ্যুসর/কেমেরামেন সুরজিৎকান্তনা দিসেম্বর ৭, ২০১৮ দা প্রোগ্রাম অসিদা য়াওরুবগী ফুতেজ অদু হ্বাতসএপকী খুৎথাঙদা থারকখি। অঙকপনি মীওইবা! নহানমখৈ য়েংনিংখিদবদু ঐগী মীনা থারক্লবনিনা য়েংনিংলুরে, য়েংলুরে। ‘তোম’ হায়বদু মী অমই মমীং ওইরমদ্রে, তাইমস ওফ মণিপুরগী অসন্বী তি ও এম ওইরম্লে। বোবি ৱাহেংবমনা হোষ্ট ওইবনি, এন সুরজিৎকান্তনা গেষ্ট। তাইমস ওফ মণিপুর, করম্বা মীদিয়া হাউসনো থিনিংলক্লে।

বি বি ফিল্মস হায়দুনা, মায় পাক্লবা মণিপুরগী ফিল্ম প্রদক্সন কম্পেনি অমা ওইনা মমীং চৎলবা বেন্নর অসিগী মপু কেমেরামেন (সিনেমাতোগ্রাফর), ইদিতর, ফিল্ম প্রোদ্যুসর সুরজিৎকান্তগী শাংলবা চহী কুনলোমগী দিজিতেল ফিল্ম খোঙচৎ অদুগী অৱা-নুংঙাই পাউদমনি। শীনফমসিদা মহাক্না করম্বা খোঙথাংজিল্লকখিবা, কেমেরামেনদগী সিনেমাতোগ্রাফর, ইদিতর, প্রোদ্যুসর ওইরকপগী এক্সপেরিয়েন্স ... মশাগী হোম প্রদক্সন ‘থবাতোন’ ফিল্ম সেরিজ (অনী হান্না পুথোকখ্রগা অহুমশুবা নমলিবা) অসিনা করম্না লাইবক্কী থম্বাল ওইরকপা ... অসিনচিংবা খরসিনা প্রোগ্রাম অদুগী মরুওইবা শরুক্নি।

বোবি অমদি সুরজিৎ অনীনা শানখিবা ৱারীদুদই ’সিমদি নাখৈ শেংনা খঙলে মদুদি মণিপুরী ফিল্ম ইন্দস্ত্রিগী নুমিৎ মরায় চায়থরক্লি। হান্নদগী শোকচিল্লক্লি। ৱাহংলিবা, পাউখুম্লিবা অনীমক্কী ৱারোলদা পোজিতিব ওইবা মুদ অমা উবা ফঙদে। পুথোক্লরিবা ফিল্ম পুম্নমক্না য়েংবীনবা মী ৱাৎপগী অৱাবা মায়োক্লরগা থবাতোন ফিল্মগী মখা চত্থরকপা, পুথোক্লিবা ফিল্মদুগী ঈখৌ লাংবা অয়েংবশিং ঙাইদুনা লৈনরিবসিনা করিগী? ফিল্ম নুংশিজবা মীওইশিংনা লাংতক্লরিবা মণিপুরী ফিল্মগী মরাইবক, ঐদি খল্লি ৱাহংসিদা লোৎলিবরা?

ফিল্ম পামজনা হৌরকখিবা, অপাম্বদুনা ঙসিসু ঙাওহল্লিবা মীশক অমা ওইরুবনা, ওইরক্লিবা মণিপুরী (মীতৈলোনগী) ফিল্মগী থাক অসিনা পূক্নিংসিবু ৱাহল্লি। ইশানা পামজনা চৎচরিবা থিয়েতরগী খোঙচৎ অসিদদি কম্মর্সিঅল অস্পেক লৈররোইদবনা, ফিল্মগী কম্মর্সিঅল ভেল্যু মাঙখিবা, থৱায়সিনা ৱাজরুই - ফিল্ম পামজবা কাঙবুগী অহানবা খোঙদাফম ওইরম্বা থিয়েতরগী অস্পেক অদু মাঙখ্রগদ্রা? ৱাখল লম্মুক্করক্তুনা মখা তানা ইরিবনি। খল্লুই, ৱাখল মান্নবা খরনদি পাবীগদ্রা?

ইন্দস্ত্রি অমা হিংবা নৎত্রগা হিংদবা হায়বসিদা খ্বাইদই ইহান হানবা, মরুওইবা ৱাফমদি ‘ইন্দস্ত্রিঅল প্রদক্ট’ অদুগী য়োনফম, ‘মার্কেৎ’ লৈব্রা হায়বসিনি। লৈবীনবা লৈত্রবা পোৎতুদি পুথোক্লবই কান্নদে। ফিল্ম-ইন্দস্ত্রি হায়বসিনা অতে ইন্দস্ত্রিশিংদগী পূমতোপ তোপ্পা মান্নদবা অমা ওইরিবসি - মাগী মার্কেৎ অসিনি। ঙসিগী ফিল্ম মার্কেৎতি মালেমগী য়ুমথোং খুদিংনি। হোল্লিৱুদকী প্রদক্টশিংনা মার্কেৎ চাউনা কোনবদুগী অচৌবা ইন্দস্ত্রি ওইরিবনি। বোল্লিৱুদগী মার্কেৎ চাউথোরক্তুনা চিনা য়ৌশিল্লকপদগী হিন্দি ফিল্মগী মশক ওল্লক্লিবনি। তোল্লিগঞ্জ (কোলকাতা) গী তোল্লিৱুদ, বোল্লিৱুদকা লম্বা পাঙমদ্র’সু মশা মরোমদোম হিংঙল্লিবা, কৈথেলগী সাইজ অদুননি। মণিপুরগী ফিল্ম ইন্দস্ত্রিদি মনিৱুদ কৌবা য়াখিরোই, ইন্দস্ত্রি ওইনা ইষ্টাব্লিস তৌদ্রি। সুরজিৎনসু হায়খিবদুনি - নুংথিল মতমদা উৎলিবা সিনেমা হোল-ইম্ফাল মায়োলগী অম’নি’সিদা ঙায়শিল্লক্লে, খুঙ্গংগী তাউন খরদা নুমিদাংদা খরগা উৎলিবসি মঙায়রে। চীংদদি সুপউৎ উৎখিদ্রে। অদুনদি, মশানা তাবা ৱাফমনি - মণিপুরদা সিনেমা পুথোক্লরিবা প্রিমিয়র সোদা টিকেৎ তাঙনা য়োল্লগা মমল হনজিন্নবা হোৎনহৌবা .. মখা তাবা চেরিতি সোদা শেন্দোং তানবা, মদুগীদমক্লি । অদুদসু ঙমহৌদ্রবা প্রদ্যুসর, ফিল্মদই বিদাই লৌখিবা। ওন্থোকপা অবস্থা (ফিবম) অমনি মণিপুরী ফিল্ম-ইন্দস্ত্রি! নহান নোংমা, অসুম্না ৱারী শানরিঙৈ দুকান্দার মরুপ অমনা করেম্ননা, শাউনিংনা হায়রকই ... ‘মণিপুরী ফিল্ম য়াম চাওখৎলেনা! ঐঙোন্দা ফিল্ম চাতরুক-চাতরেৎ তাদুনা লৈ, হোলশিংশিদা কাপ্পা য়াদ্রো ? ... অনীরক শুনা য়েংনিংদবা ফিল্মদুদি কৈদৌবই নন্ত্রি’নো? ... অরিবা হিন্দি ফিল্মদুদি হঞ্জিন হঞ্জিন য়েংনরি’...। মাগীদুদা অচুম্বসু য়াওরি। ঐ মরৈ য়েৎখিদে। মণিপুরী ফিল্মসিগী রিঅলিতিনা অমনি। ইশ্যু অসি অরুবনি, মখা তানা ইজরোই। মরম অদু নৈনরুরবা, মতাং চাদা মেলৈ লাংবা তারনি।

মণিপুরগী ফিল্ম-ইন্দস্ত্রিগী ৱা ঙাঙনরকপদা খন’দ-য়াদবা ৱাখল অমদি মীয়াম্না ইখন খন্নদবগুম তৌরি। ইন্দস্ত্রিসিদা ঙাওনরিবা/চঙলক্লিবা মীওইশিং চাউয়েং অমুক্তং য়েংলুসি। অহানবদা প্রোদ্যুসর! শেল লৈবা (পৈশা পায়বা) মীশক অমা! মহাক্কী অহানবা কনসর্ন- থাদখিবা শেল মাঙবা য়াদে। অনীশুবদা দিরেক্তর। ফিল্ম হায়রিবা আর্তসিবু মমুৎ তানা খঙলবা মীশক অমা। মহাক্তি ওল-ইন-ৱান ওইগদবনি - স্কৃপ্ত, ম্যুজিক, এক্তিং, ইদিতিং, দিজাইনিংনচিংবা ময়ামগী আইদিয়া লৈবই মথক্তা, অয়েংবশিংনা করি পাল্লিবা ‘অপাম্ব’দুসু খঙগদবনি। অদুবু, মণিপুরদা অসিগুম্বা দাইরেক্তর কনা লৈবগে? হায়বা য়াদবই তৌবনি, অয়াম্বনা খঙনবনি। মথংদা দরকার ওইরকই - রাইতর, ফোতোগ্রাফর (সিনেমাতোগ্রাফর), ইদিতর, এক্তর, কোষ্ট্যুম দিজাইনর, মেক-অপ আর্টিষ্ট ... অসিনচিংবা। কলাগী লমসিদদি হায়নৈদনা মণিপুর ‘লাইনা থাবা লমদমনি’। পুম্নমকসি ৱাত্তে, লৈমরাঙ কায়না। অদুগা, ইন্দস্ত্রিঅল সেক্তর অমগী খ্বাইদই মরুওইরিবা ‘মার্কেতিং’ গী সেক্তরসিদদি কনানসু খোয়জঙদে। লান মমাংগী ঈমা কৈথেল, হৌজিক উগে ফংলিবরা? চপ মান্নবা পোৎ অদু লম্বীদা থাদুনা য়োনবগা, এয়র কন্দিসন সো রুমদা য়োনবগা মমল খেন্নরিবা, ভেল্যু মান্নরক্ত্রিবা করিগী? মমা-সীজ লৈশারিঙৈ মতমগী ফিল্ম য়েংবা চৎপদা লৈরম্বা সিনেমা হোলদুগী থাক অদুদি ফগৎহন্নি খঙদবা, সেল্লুলোইদ ফিল্ম প্রোজেক্তরগী মতম লোইখিদুনা হেন্না ফগৎপা দিজিতেলগী যুগসিগা চূননা মোদিফাই তৌবই ৱাখলদুসু লৈতবা, সিনেমা য়েংবা লাকপা মী (কঞ্জুমর) শিংবু নুংঙাইহন্নি খন্দবা ইন্দস্ত্রিসিগী মার্কেৎ-প্লেয়রশিং অসিনা চাউনা শোয়রিবা অসিমদি চুমথোক্লবা হোৎনদে। মীলীশিং চনবা হোলদু নত্তে ঙসি দরকার ওইরিবা, মখোয় চাম-চনীদং নুংঙাইনা য়েংহনবা ঙম্বা মফম তরা কুনখক্তং শেমগৎপদুনি মরু ওইরিবা। মার্কেৎ ষ্ট্রেতেজিষ্ট অমা, ঙসিমক তঙায়ফদে। রিলিজ তৌখিবা নুমিত্তগী ভিদিও সিদি রাইতকনাদা পীসিগে খন্নরিবা, মশাগী মোংফম তৌরিবনি।

অদুগা য়েস! অফবা ফিল্ম করিনো হায়বদুমদি খঙমিন্নবা খ্বাইদই মরুওইবনি।

লৌশিং পুক্কে

নোকপনা হকচাংদা পীরিবা কান্নবশিং

নোকপা হায়বসিনা খ্বাইদগী ফবা হীদাক্নি হায়নবা লৈ। ৱাফম অসিগী অচুম অরান খঙদোক্লবা রিছার্চরশিংনা কুপ্না থিজিনবদা নোকপগী কান্নবা কয়ামরুম খঙবা ঙম্লকখি। নুংঙাইনা হিংবা পুন্সি মহিংদা নোকপা য়াওদবা য়াদে। থৱায় তানা অমুক্তং নোকপা মতমদা হকচাংনা অসুক্কী মতিক কান্নবা ফংই। নোকপনা ব্লদ প্রেসর হন্থহনবগা লোয়ননা হার্ট এটেক অমদি ষ্ট্রোক তৌরকপা য়াবগী রিস্ক হন্থহল্লি।

রিছার্চরশিংনা কুপ্না থিজিনবদা নোকপনা কোর্টিসোল, এদ্রেনেলিন অমদি দোপামিন্নচিংবা ষ্ট্রেস হোর্মোনগী খল হন্থহনবগা লোয়ননা সেরোটোনিন অমসুং এন্দার্ফিননচিংবা পূক্নিং-ৱাখল নুংঙাইহন্নবা হোর্মোন পুথোকপগী চাং হেনগৎহল্লি।

অনাবগী চৈনাখোল খাঙবা ঙমদবদগী ফমুংদা নাহেদুনা হিপ্লিবা মীওইফাওবা অমুক্তং থৱায় তানা নোকপা ঙম্লবদি ঙাইহাক্তং ওইরবসু চৈনাখোল হন্থখি। নোকপনা হকচাংদা য়াওবা ইন্টরফেরোন গাম্মাগী চাং ৱাংখৎহন্দুনা বি-সেল, টি-সেল, এন কে সেল অমদি ইম্যুনোগ্লোব্যুলিনগী মথৌ হাপকৎপদগী ইম্যুন সিষ্টেম কনখৎলক্তুনা লায়না কয়ামরুম ঙাকথোকপা ঙম্মী।

পুম্নমক অসিগী মথক্তা নোকপনা মায়গী অকোয়বদা ঈগী ঈচেল ফগৎহন্দুনা ফেসিয়ল মশলশিং ষ্টিম্যুলেট তৌবদগী নহা ওইনা অমসুং শক ফজনা উহল্লি। অসিগুম্বা ৱাফম ময়াম অসিদগী ‘নোকপা’ হায়বসিনা খ্বাইদগী ফবা হীদাক্নি হায়নরিবনি।

সাইকোলোজিষ্ট অমসুং লফ থেরাপিষ্ট ষ্টিভ ৱিলসননা হায়খি, খ্বাইদগী য়াম্না নোকপা ঙম্বা মীওই অদু অনা-অয়েক য়াওদনা নুংঙাইবা পুন্সি মহিং অমদা হিংবা ঙমগনি। নোকপা য়াওদ্রবা পুন্সি অদুদি নুংঙাইবা পুন্সিনি হায়না লৌবা ঙমদে।

‘লফটর : এ সাইন্টিফিক ইনভেষ্টিগেসন’ কৌবা লাইরিক অমা ইখিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ মেরিলেন্দগী সাইকোলোজি অমসুং ন্যুরোসাইন্স দিপার্টমেন্টকী প্রোফেসার রোবার্ট আর প্রোভিননা হায়খি, নোকপনা হকচাংদা পীবা কান্নবশিংগী মরমদা থিজিনগদবা য়াম্না ৱাৎলি। অদুবু ফনা ৱাবা মীশক ওইরবসু ঙাইহাক্তং নোক্লিঙৈ মনুংদা হকচাং নুংঙাইহল্লি হায়বসি পুম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি।

মতম কয়াগী মমাঙদগী হীরম অসিদা থিজিন্দুনা লাকখিবা রিছার্চরশিংনা হায়খি, নোকপা মতমদা হকচাংগী মশল পুম্নমক লেঙবগা লোয়ননা নিংশা শ্বর হোনবগী চাং ৱাংখৎলক্তুনা টিস্যুশিংদা অহেনবা ওক্সিজেন ফংহল্লি। মরম অদুনা হীরম খরদা নোকপগা হকচাং শাজেল তৌবগা চপ মানবা মওংদা কান্নবা ফংই।

বেন্দরবিল্ট য়ুনিভর্সিটিগী রিছার্চর মেসিজ ব্যুকোস্কিনা থিজিনবদা নোংমগী মিনিট ১০ নোকপনা হকচাংগী কেলোরি ৫০ মাঙহনখিবা ঙম্মী হায়বা খঙলকখি। হৌখিবা চহী ১০ গী মনুংদা রিছার্চরশিংনা হীরম অসিগী মতাংদা কুপ্না থিজিন্দুনা লাকখি। য়ুনিভর্সিটি ওফ মেরিলেন্দগী রিছার্চরশিংনা মীওই খরবু কাঙলুপ অনী থোক্না খায়দোক্লগা কাঙলুপ অমদা ফাগী জুগাইগী দ্রামা য়েংহন্দুনা নোকহল্লম্মী। অতোপ্পা ফুরুপ অমদুদনা থৱায় নুংঙাইতবগী অৱাবা দ্রাবা য়েংহল্লম্মী। চাংদম্নদুনা য়েংলুবদা অনোকপগী দ্রামা য়েংবা কাঙবু অদু ঈগী ঈচেল ফগৎলকপগা লোয়ননা অৱাবগী দ্রামা য়েংবা কাঙবু অদুনা ঈগী ঈচেল তপথরকপা থেংনখি।

ষ্ট্রেস হেনগৎলকপা মতমদা ইম্যুন সিষ্টেমগী মপাঙ্গল শোন্থরকই। কনাগুম্বা মীওই অমা থৱায় তানা নোকপা মতমদা অৱাবা ৱাখল কাউথোকখিবদগী ষ্ট্রেস হন্থরকই। মদুনা মরম ওইরগা লায়না ঙাকথোকপা ঙম্বা এন্টিবোদিশিংগী মশীং হেনগৎলক্তুনা ইম্যুন সেলশিং মপাঙ্গল কনখৎলকই।

য়ুনিভর্সিটি ওফ কেরোলাইনাগী রিছার্চরশিংনা দাইবেটিস নারবা মীওই ১৯ দা নোকপনা ব্লদ সুগর লেবেলদা করি করম্বা অহোংবা থোকহনবগে হায়বগী মতাংদা কুপ্না থিজিনখি। হায়রিবা মীওইশিং অদু চাক পীজরগা লেকচর প্রোগ্রাম অমা য়াওহল্লবা মতুংদা ব্লদ সুগর ওন্দুনা য়েংলম্মী। থংনবা নুমীৎতনা হায়রিবা মীওইশিং চাক পীজরগা অনোকপা থৌরম অমা য়েংহল্লম্মী অমসুং মদুগী মতুংদা ব্লদ সুগর ওন্দুনা য়েংলম্মী। চাংদম্নদুনা য়েংবদা অকোনবগী নুমীৎ অদুদনা ব্লদ সুগর লেবেল হন্থরম্বা থেংনখি। নোকপনা ব্লদ সুগর লেবেল হন্থহনবদা মতেং পাংই হায়বা চাংয়েং অমদগী খঙলকখিবনি।

নোর্মান কজিননা মশাগী পুন্সি ৱারীদা য়ুম্ফম ওইরগা ইবা ‘এনাটোমি ওফ ইলনেস’ কৌবা লাইরিক অমদসু নোকপগী কান্নবশিং ময়েক শেংনা পল্লি। এঙ্কিলোজিং স্পেন্দো-ইলাইটিসনা নাবদগী চৈনাখোল খাঙবদা ৱারবা নোর্মান কজিননা ফাগি-জুগাইগী ওইবা থৌরমশিং য়েংদুনা নোকপা মতমদা চৈনাখোল হন্থরকপা থেংনখি। ‘এনা-টোমি ওফ এন ইলনেস’ কৌবা লাইরিক অদুদা মহাক্না হায়, শুপ্নগী মিনিট ১০ খক থৱায় তানা নোকপা মতমদা পুং অনীরোম চৈনাখোল কোকহনবগী নুংঙাইনা তুম্বা য়াহল্লি। নোকপা হায়বসিমক্তবু হরাওবগী খুদমনি। অদুনদি হকচাংদা কান্নবা-কান্নদবগী ৱাফমনা তোঙান্না থমখ্রগা অয়াম্বা মতমদা নোকপা মীওই অদু হরাওবা অমসুং নুংঙাইবা পুন্সি মহিং অমদা হিংলি হায়বসি মশানা তারবা ৱাফমনি।

সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ এক্ট ওনখিদনবা লৈঙাক্না করি ফিরেপ লৌরবগে : হেরিকোন

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচএন এস): সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬কী মতাংদা ষ্টেটগর্ভর্মেন্টঅমদি ষ্টেট অসিগী পোলিটিকেল পার্টিশিংনা বিল অসি এক্ট ওনখিদনবা করি করম্বা থৌরাং অমদি খোঙথাং পায়খৎপীরবগে হায়বদুমীয়ামদা খঙহনবীয়ুহায়না ইথনো হেরিটেজ কাউন্সিল (হেরিকোন) না ফোঙদোরক্লি।

হেরিকোনগী ভাইস প্রসিদেন্ট অমসুং মিদিয়া কোওর্দিনেটর লাইশ্রম সনাজাওবা মীতৈনা থোকপা চেরোল অমনা হায়, অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী য়েলহৌমীশিংগী মীশিংলোন, লম্মীৎলোন, শেন্মীৎলোন, নাট অমদি লৈঙাকলোন্দা মীতোপশিংগী শাফু কয়ানা মরম ওইদুনা অহোংবা কয়া লাকপদগী য়েলহৌমীশিং অসিগী শক্তম মাঙখ্রগদ্রা হায়না মীপাইনরিঙৈ চৈরক্তা বি জে পিনা লুচিংবা ইন্দিয়া লৈঙাক্না কুমজা ২০১৬কী জুনদগী হৌদুনা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬বু ইন্দিয়াগী পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌদুনা এক্ট ওইনা চৎনহনখিনবা হোৎনখিবদু ঙসি ফাওবা হনবা লৈতনা চঙশিল্লক্লি।

সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬ অসি পার্লিয়ামেন্টতা পাস তৌদুনা এক্ট ওইনা চৎনখ্রবদি মালেমগী খ্বাইদগী মীশিং য়াম্বদা ৮শুবা লৈবাক ওইরিবা বাংলাদেশতগী হিন্দু লাইনীং চৎপা বাংলাদেশকী হিন্দু লাক্ষ ৫০গী মথক্তা অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াদা মরুওইনা অসাম অমদি মণিপুরদা চঙলক্তুনা ইন্দিয়াগী সিটিজন ওইবা হায়বসিদি শোয়দ্রবনি। মসিগী মথক্তা ম্যান্মারদগী খৃষ্টান লাইনীং চৎপা মীওই কয়া খুল হোংলকপগী অৱাবা পোৎলুমসু মণিপুরগী য়েলহৌমীশিংনা মায়োক্লরিবনি হায়রি।

হেরিকোন্না হৌখিবা জুন ৯দা মণিপুর ষ্টেট গেষ্ট হাওসতা লমদমসিদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংগী মীহুৎশিং য়াওবা মীফম অমদা সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬কী মতাংদা খন্ন নৈনদুনা বিল অসি এক্ট ওইনা পাস তৌহন্দনবা মরী লৈনবা খুদিংদা ৱাকৎ চেরোল পীশিনবা হায়না ৱারেপ্পদুনা ইন্দিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর, হোম মিনিষ্টর, লো মিনিষ্টরদা বিল অসিগীদমক অখন্নবা শেমখিবা জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিগী চ্যেরমেন রাজেন্দ্র অগরৱাল, ওপোজিসনগী লুচিংবা ওল ইন্দিয়া কোংগ্রেস পার্টিগী প্রসিদেন্ট রাহুল গান্ধি, মণিপুরগী গভর্ণর অমদি চীফ মিনিষ্টরনচিংবদা বিল অসি ইন্দিয়ন কন্সটিট্যুসনগী স্পিরিটপু মাঙহনবা, সেক্যুলরিজম্বু মশক থীহনবা, অতম্না অৱাং নোংপোক ইন্দিয়াগী য়েলহৌমীশিংগী কাঞ্জুল মুখৎনবা হোৎনবা বিলনি, পাস তৌবিগনু অমসুং তৌহনবীগনু হায়দুনা ৱাকৎ চেরোলশিং পীশিনখ্রে।

প্রাইম মিনিষ্টর ওফিসনসু ৱাকৎ চেরোল অদু জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিদা খুৎশিন্নখ্রে। বিল অসিগী মখা তাবা ৱারেপশিং জোইন্ট পার্লিয়ামেন্টরি কম্মিটিগী ওইরে হায়না পাউখুম পীরকখ্রে হায়রি।

মেঘালয়, মিজোরাম্নচিংবগী গভর্ণমেন্টনা বিল অসিগী মায়োক্তা ষ্টেটকী থাক্তা ৱারেপ লৌদুনা মরী লৈনবা খুদিংদা বিল অসি পাস তৌদুনা এক্ট ওলহনবা য়ারোই হায়বগী ৱাফম খঙহনবা লৈখ্রে। অসাম, অরুনাচল প্রদেশ, নাগালেন্দ অমসুং মণিপুরনচিংবগী লূপ কয়া অমদি নোর্থ ইষ্টকী অপূনবা লূপ কয়ানসু বিল অসিগী মায়োক্তা লেপলি। হৌজিকসু পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফমদা বিল অসি পাস তৌবা য়ারোই হায়বগী খোঙজং কয়া দিল্লিদা চঙশিন্দুনা লৈরি। মতাং অসিদা মণিপুরদা লৈরিবা পোলিটিকেল পার্টিশিংনা বিল অসি হৌজিক চত্থরিবা পার্লিয়ামেন্টকী নিংথম মীফমদা পাস তৌদুনা এক্ট ওনখিদনবা করি করি থৌরাং অমদি খোঙথাংশিং পায়খৎপীরবগে হায়বদু মীয়ামদা খঙহনবীয়ু হায়রি। মণিপুর লৈঙাক্নসু সিটিজনসিপ এমেন্দমেন্ট বিল ২০১৬কী মতাংদা করি করি ফিরেপ লৌবীরিবগে হায়বদুসু মীয়ামদা ময়েক শেংনা খঙহনবীয়ু হায়না ফোঙদোরক্লি।

‘দিমান্দ পীদ্রিফাওবা খোঙজং চঙশিনগনি’

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): ওল ইন্দিয়া গ্রাম সেবক য়ুনিয়ন মণিপুর দিভিজন এন ঈ সার্কলনা ইম্ফালগী পোষ্ট ওফিসতা থবক লেপ্পগী খোঙজং চঙশিল্লিবা অসি দিমান্দ ফংদ্রিফাওবা চঙশিনখিগনি হায়না এন ঈ সার্কলগী সেক্রেটরি সনসম য়াইমনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাকৎ মীফম ফমদুনা খোঙজং চঙশিনবা অদুদা শরুক য়াখিবা এস য়াইমনা ফোঙদোকখিবদা, জি দি এসগী ষ্টাফশিং থবক তৌরকপা চহী য়াম্লক্লে। চহী ১২, চহী ২৪ অমদি চহী ৩৪ থবক তৌরকপশিং য়েংলগা ইনক্রিমেন্টহাপ্পীয়ু। কুমজা ২০১৬ দগী ফংলিবা এরিয়ার অসিসু মখোয়না শোয়বদগী লুপ্পা লিশিং ২০/৩০ দগী হেন্না ফংহন্দ্রে। জি দি এস ষ্টাফশিংনা থবক তোক্লবা মতুংদা ফংবা গ্রেবিটি অসিসু লাক ৫ ওইহনবিয়ু। গ্রুপ ইন্সুরেন্সনা রিটিয়ার্ড তৌবদা লাখ ১.৫০ ওইরিবসি লাখ ৫ দা ওইহনবিয়ু। থবকশুবগী মতম পুং ৪/৫ ওইরিবসি পুং ৮ ওইহন্দুনা রিগুলর তাহনবিয়ু হায়বা দিমান্দদা খোঙজং চঙশিনবনি। দিমান্দশিং অসি ফংদ্রিফাওবা খোঙজং হনখিরোই। ওল ইন্দিয়া গ্রামিন দাক সেবক য়ুনিয়নগী ওইনা দিসেম্বর ৩ দগী ৫ ফাওবা মহারাস্ত্রাদা পাঙথোকপা কনফরেন্সতা ৱারেপ লৌখিবনি। দিসেম্বর ১৮ দগী খোঙজং চত্থবা হৌরকপনি। খোঙজং হনখিরোই হায়নসু মখা তাখি।

টমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী পী ঐচ এস সী নুঙগী যুগকী মতমগা মান্নরে

ইম্ফাল, দিসেম্বর ২১ (ঐচ এন এস): মণিপুরদা হৌজিক পাল্লিবা অনৌবা লৈঙাক অসিনা চীং-তম থোং মান্ননা লৈনবা হায়দুনা কন্না হোৎনরি অমদি মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা লৈঙাক্কী ইমপ্লোয়ীশিং চত্তুনা চীংগী অৱাৎ-অপা কয়াশিং য়েংশিল্লবসু টমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং হঞ্জিনবা খুলশিংগী ফিভমদি নুঙগী যুগকী মতমদা লৈরম্বা মওংদা লৈবা য়াওরি।

ঐখোয়গী পাউমীনা মফম খরদা চত্তুনা য়েংশিল্লুবদা এদ্যুকেসনল ইন্সটিট্যুসন্স, হেল্থ সেন্টর অমদি লম্বী থোংশিং কয়া ফিভম চাদনা লৈবা থেংনবতা নত্তনা, খুঞ্জাশিংনা থেংনরিবা অৱাবা কয়াশিং অসি চীংমী তম্মী খায়দনা মীয়ামগী চীফ মিনিষ্টর এন বিরেন্না মীৎয়েং চঙবিদুনা অথুবদা থবক কয়া লৌখৎপিনবা নীংশিংলক্লি।

টমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা নুঙবা সব দিভিজনকী খা পাংনা কিলোমিটর ৩০ রোম চৎলগা লৈবা মফম অসিদা লৈরিবা মুক্তি খুল্লেন প্রাইমারি হেল্থ সব সেন্টরনি, অদুবু লৈঙাক্কী ষ্টাফশিংদি পেপরদা লোইনা লৈহৌই অদুগা মফম অসিদা ঐখোয়গী পাউমীনা চত্না য়েংবদা মফম অসিদদি ষ্টাফ কনামত্তা লাক্তে হায়না খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরক্লি। ঙক্লিবদি খুল অসিদা লৈরিবা হেল্থ সেন্টর অসিগী লৈফম থোকপা ওফিস বিল্ডিং অমদি ষ্টাফ ক্বাটরশিং ফজনা শারগা লৈরম্মী অদুবু অহাঙবা ঙাক্তা ওইনা লৈবা ঐখোয়গী পাউমীনা থেংনরকখি। হেল্থ সেন্টর অসিনা ফঙ্কসন তৌদবনা মরম ওইরগা খুঞ্জাশিংনা থেংনরিবা অৱাবা কয়া অদু মরী লৈনবশিংনা খঙবিয়ু অমসুং নোর্মেল নৎত্রগা করিগুম্বা লায়েংবা পাল্লবসু কিলোমিটর ৩০ রোম চৎলগা লৈবা নুঙবাদা লৈবা হোস্পিটালদা লায়েংবা চৎপা তাই। লায়রবা খুঞ্জা ঙাক্তা অমদি পৈশা লৈতবা ইমুংশিংনা চৎপা ঙমদনা থেংনরিবা অৱাবশিং অসি ওথোরিটিগী মীৎয়েং চঙবিনবা খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরক্লি। মফম অসিদা হেল্থ সেন্টর লৈজরবসু লৈতবগা চপ মান্নৈ হায়নসু ফোঙদোরকখি। নীংশিংবা য়াই নুঙবা দিষ্ট্রিক্টকী চীফ মেদিকেল ওফিসরনা নবেম্বর ১৯ দা থোকপা লিষ্টতদি নুঙবা কম্যুনিটি হেল্থ সেন্টর (সী ঐচসী) গী মখাদা লৈরিবা খোঙশাং পি ঐচ এস সী, মুক্তি খুল্লেন পি ঐচ এস সী ফঙ্কসনেল ওইনা লৈরি। অদুগা লোংপি পি ঐচ এস সী, লোংকাইফুন পি ঐচ এস সী অমদি গাল্লোন পি ঐচ এস সীদি নন ফঙ্কসনেলশিংনি হায়না লিষ্ট অদুদা য়াওরি।

হেন্না লাইবক থিবা অমনা লম্বীসু অঙকপা ফংনা ফত্তে। নুঙবাদগী মুক্তি খুল্লেন তাবা লম্বী অসি হৌজিক হৌজিক কন্না শেমহৌরি। নাকল অমরোমদা টমেংলোং দিষ্ট্রিক্টকী তৌসেম সব-দিভিজনগী মনুং চন্না লৈরিবা অবেন প্রাইমারি হেল্থ সেন্টর, নুঙকাও প্রাইমারি হেল্থ সব সেন্টর, ন্যু কৈফুনদাই প্রাইমারি হেল্থ সেন্টরশিং অসিসু মমিংগী ওইনা থম্বীরি। মফম অসিদা মেদিকেল ষ্টাফশিং লৈতবনা খুঞ্জাশিংদা য়াম্না চাওনা অৱাবা পীরি। হেন্না ঙকপা অমনা লৈরিবা প্রাইমারি হেল্থ সব সেন্টর অসিদা লন্নাই মীওইশিংনা য়ুম ওইবা, লৈশিনবসু য়াওরি। মরু ওইনা অনৌবা লৈঙাক অসিনা মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদা ওফিসলশিং থাদুনা অৱাৎ অপা য়েংশিনহল্লি হায়বদো কদায়দনো। মসি খরা কুপ্না য়েংশিনবীদুনা ইম্ফাল ময়োলদগী লাপ্না লৈজরিবা খুঞ্জাশিং অসিসু নুংশিবিয়ু হায়নসু খুঞ্জাশিংনা ফোঙদোরক্লি।

NOW SHOWING FRIENDS TALKIES,KAKCHING,MOIRANG,NAMBOL,KHUMBONG
FOUNDATION DAY,CHAK-UMBA,BIRTH DAY, NAHUT NARENG LUHONGBA CHAKOUBAGI KAPCHEI
8787668760,8794687252
MEGA SUPERHIT FILM 2018
Friends Talkies 50days running
Nongthombam films
LYRICS, STORY SCREENPLAY & DIRECTOR
SANATON NONGTHOMBA
CHANU IPS
EKAI NUNGSI YANARE
A MEITEI FEATURE FILM
HL-P/2589/30,1-17Jan.

RaDiant Fitness
360° WELLNESS CENTRE
COME AND JOIN THE PREMIUM FITNESS CENTRE
GOLDEN HOUR WORKOUT
TIMING: 10.00 AM-2.00 PM
STARTING PACKAGE @INR750 ONLY
HEAL YOUR BODY & SOUL
IN OUR STEAM AND SPA
STARTING PACKAGE @INR500 ONLY
Steam & Spa
LOWER BP, REDUCE CHRONIC PAIN, IMPROVE SKIN, MAY REDUCE FATAL HEART PROBLEM
A RADIANT GROUP
Healthify Café
TREAT YOURSELF WITH HEALTHY MEAL AT HEALTHIFY CAFE (HALAL CHICKEN AVAILABLE)
RADIANT FITNESS CENTRE, PALACE COMPOUND GATE, IMPHAL
CALL US AT +91-9366479511
HL-B/5019/16,18,20,22

IPS CANCHIPUR
ADMISSION OPENS FOR 2019
BOTH SCHOOL & BOARDING
(FROM PRE- NURSERY TO IX)

EMPLOYMENT NEWS

1) Head Warden (Male); Graduate/P.G in English B.Ed or its equivalent Age :- 40-55 yrs. (Salary : Rs. 13000- Rs. 15000)
2) Head Warden (Female) Graduate/P.G in English B.Ed or its equivalent Age :- 30-50 yrs. (Salary : Rs. 11000 -Rs. 15000)
3) Asst Teacher cum Wardens (Male) Graduate/P.G one each for English, Physics, Chemistry, Bio, Maths, Man-B.Ed or its equivalent (Salary Rs. 11,000 - Rs. 13,000)
4) Asst Teacher cum Wardens (Female) Graduate/P.G, one each for S.Sc. English, Hindi, Man., H.Sc. B.Ed or its equivalent (Salary - Rs. 10000 - Rs. 13000)
5) Assistant Teachers Graduate/P.G one each for Maths, Science, English, Hindi, Manipuri, S/Science (Salary - Negotiable)
6) 3 Rhyme Teachers - XII/Graduate (Salary - Negotiable)
7) 1 male & 1 Female nurse or Pharmacist (Salary - Rs. 7000 to Rs.10,000)
8) 2 Boarding drivers (light/Heavy), 2 Cooks, 2 Chowkidars (Salary Rs. 6500- Rs. 8000)
9) 3 Male and 2 Female Boarding securities and 1 Female Helper (Salary Rs. 6000- Rs. 8000)

Note : 1. Last date of submission of Application 21/12/2018
2. Date of Interview 23/12/2018 at 10:30 a.m.

Contact : 8257807581 (Reception)

Free Private Tuition for Boarding by the Guest and Non-Guest Teacher
Free Transportation for all the Boarders of IPS Boarding Kyamgei
Free School Fees for all the Boarders of IPS Boarding Kyamgei

HL-P/5663/12/11-11/12(Alt.)